# রারী মচা

## ঙাইখো

**রাজেন খুমুকচম**

"ঙাইখো! ঙাইখো নখোয় লোইনমক ঐনা হায়রিবসি অমুক্তা তাখো।"

মমায় ঙাংশং ঙাংনা মখয়াৎ লাওনা কাথোক্তুনা মখৌরিদা শিংলি মত্রং–মত্রং হেক থোকপমখৈ ঙংলদুনা চাওবনা হায়রকখিবনি।

মচা অনীগী হাক্তক্তা নীংবা কায়খ্রবা মতুংদা আশা কয়াগা লোয়ননা মচা অতোনববু অয়ুক্কী কৌরৌগুম নুমিদাংগীনা থাজগুম য়েংজরদুনা লেমহৌরিবা পুন্সিবু তাসিন খোমজিন্দুনা হিংলকখিবনি। মা তোনবনা নুপী অমা পুরক্লে হায়বগী পাউ ঙরাং নুমিদাংৱাইরম তাবদদি হায়ফম ফোঙদোকফম খঙদনা হরাওজখিবনি। মমাঙদা মানা থম্মোয় শোকখিবদু হন্দক্তি মচা তোনবনা শোয়দনা নীংবা থুংহল্লগনি খঞ্জখিবনি।

নোংঙাল্লকপদদি নুপী ময়ুমদা পাউ হায়দোক্লনবা ময়েক শেংনা খঙলক্লবদদি ঙসিসু চাওবা পূন্নমক তাইওন্নবা ওইরে হায়বা খঙলে। থোক্লিবা থৌদোক তারিবা পাউসিনা তশেং তশেংলে খঙলবদা চাওবগী নুপী লৈমদি হায়ফম খঙদনা নুংনাংজরম্মী। মদু পূন্নমক ফনা ওইদুনসু হন্দক্তি মহাক্লা মচা'তোনববু মথানুংদগী লাপথোকহনগে খক খনখিদরে। মমাঙথক্তা মপানা য়াদে পামদে হায়দুনা মচা অনী অমসু ইচা নত্তে, হায়বা ইন্দে ঐগী ধর্ম্মা ঙাক্তে হায়দুনা লাপ্পা ইন্থোকপিখ্রবনি।

পাউ পূন্নমক তশেং তশেংনা খঙলবা লৈমনা কোয়চেন চেন্দুনা য়ুমথংনবা মরী মতাশিং হায়রুদুনা অপোকপা মপানা ৱারৌজদুনা শাওজখ্রবসু চৎনবী হৌনবী কায়দনা অদুগীসু মথক্তা হৌজিক্কী মতমসিদি মতম ফৎতবনা নুপী ময়ুমদা পাউ অমদি হন্দোক্লুনবা শিনজরি।

চৎনবীগী ফিজোল, চন্দোল–চৱা তরং–তরং থিল্লদুনা অহল ওইরপ তৌবা নুপা অহুমদং নুপী চেল্লকপগী পাউ হন্দোকপা লাকই।

চাওখৎলবা মতমনিনা ফকমক্তি থারমদ্রে। ৱারী ৱাখোঙ হৌদোক্লরবা মতুংদা মরাং কায়না পাক চাওরবা তনাল–তনাল্লগা নীংথিনা লৈতেংলবা কা অমদা পুসিন্দুনা মোল্লবা সোফাশিংদা ফমহল্লে। অমুক্তা উনদ্রিবা থৌদৌদুদা মফমদুদা লৈরম্বা পূন্নমক কোইলাং লাংনৈ। তানিং–য়েংনিংবনা লাকপা মীগী মশীং সমুদ্রগী ঈথক্কুম ইৱাইরকখি।

চৎনবীনি হায়দুনা নুপীগী মপা মপলশিংদুদা নুপা ময়ুমগী অহল অহুমদুনা কোক নোন্না খু'লৈতানা খুরুমখি। থৌদৌদু উরুবদা কনাগুম্বা খরদি থিক–থিক নোকখি, কনাগুম্বা খরনা মপুক্লিং নুংওন্না লোন্না পিরাং তৈথোকপসু য়াওরি। খুরুম্বদগী হনগৎলক্লগা অহল অমনা মখা তারকই।

"সোমগী ইচানুপীদুগা ঐখোয়গী ইচানুপাদুগা মশা–মশা মতম কুইনদগী খঙনজদুনা ঙরাংসিদি য়ুমদা পুদুনা লাক্লে। অদুনা চৎনবী হৌনবী ঙাকচবা ওইনা ইথৌ অমনি খঞ্জদুনা পাউ হন্দেকচবা লাকচরিবনি।"

"ঐখোয়দি ইঙক–ঙকলুরে মতম ফৎতবসিদা মওং–মওংবু খল্লুরে। লাকপিরিবসিবু করি লমদগী ওইবিরবনো?"

নুপী ময়ুমগী মীশিংনা হায়রকখিবনি।

"ঐখোয় শগোলব্দদগীনি।"

নুপাদুদি করি থবক ইংখাং পায়রে?"

"কলেজগী ওজা ওইজবনি।"

"করি কলেজদরা?"

"দি এম কলেজদনি।"

"য়ে অদুদি ইচানুপীসু মদুদা তম্লম্বনিনে।"

"হোয় মখোয়নীসি খঙনবদি কুইরমাল্লে, অদুদা ওজানা ছাত্রি লৌই হায়বসি থোক্তনবা হায়দুনা নুপীমচাসিনা কলেজ লোইশিনখিবসি ঙাইনরকপা মাল্লি।"

"ও অদুরা, ইচানুপীসিসু ডি এম কলেজদগী বি এস সি লোইশিল্লগা মখা তমথ–তমথনা এম সি এস কী পরিক্ষাসু থাখ্রবনিনে।"

নিঙোল পোকপা, নুপা ওইরবসু পীনৌরকই। মচীন্দা শোল্লকই–

"ঐগী ইচানুপীসে লৈহাও অশেংবনি। তশেংনা মাদিকো খুনগী খোইমু ইলহন্দে। ঐনা করিগীরা হায়দুনা খন্দুনা খন্দুনা লৈরকপনি। অদুবু মাদি মমিং লৈহাও হায়না থোল্লুবনা খোইমু ইলহন্দ্রবসু মাগীদি লাংদ্রুবীনা মপু হায়বদু ওইরমলে। ফরে মাগী মাগী লাইবক হায়বদুনি।"

তপ্না অহল অহুমদুদা য়েংলগা মখা তারকই।

"অদো নুপাগী মপাদি কনারা?"

নুপা ময়ুমগী অহলশিংদু পাক খুমদোকপা ঙম্মদে। খুমদবদি য়ারোইদৌবনা অমনা মখা তারকই।

"মপাদি মশা ঙমদদুনা ঙসিদি য়াওজরকত্রে। লাকচিরবা ঐখোয় য়াম্না নক্লবা মরী মতাশিংনি।"

"এ মদু অচুম্বরা, তশেংনা মশা ঙমদবরা, নৎত্রগা ঐখোয়বু হাওনি হায়দুনা পামদে শাদুনা নখোয়বু নেক্তুনা থারকপরা?"

"নত্তে–নত্তে, ৱাফমদুমদি ওন্নরে। তশেংনা মশা ঙমহৌদবনি। ৱাফমদুগী হায়রবদি থাজবিদ্রগসু লৈকাইদা লৈবা মীশিংদা হংবিবা য়াগনি। হৌজিক সোমগী ইচানুপীবু পুরক্লিবা নুপাসিগী ময়াম্বা অনীমক্তুনা লৌরিবা নুপীশিংদুসু মীতৈ নিঙোল অমতা নত্তে। অনীমক চীংমী নিঙোল ঙাক্তনি।

"ফরে অদুদি নখোয় চৎখ্রো, মপানা মশা নাবা ফরগা মাবু ওইনা থারকউ, মখা ৱারী শাসি হায়পিয়ু।"

ৱাফমদুদা কোথরুগদবা হঙ্গোইবা ফাওনৈ। অহল অহুমদু অমুক্কসু হৌগৎলক্তুনা খুরুল্লগা তপ্না–তপ্না খোঙ থাংদোরক্তুনা য়ুম মায়গৈ পাংলকখি। গারী মনুংদনি–

"য়াইনে চীংমী নিঙোল ওইজরবসু, য়ুমরৈ কৈরৈদু মওং তাইনে, মপাদুসু লেমই। অদুবু খেন্নবগী চিন্তাদুমদি মহাক লোংশিনবা ঙমদে।"

য়ুম য়ৌরে, চাওবদি মনা পায়বা য়াদ্রি হায়বদুনি। মমা লৈমদি ময়া কাদুনা পাউদল্লিবদু তারি মখা করি তৌসিগে খনবা হৌরকই। খুদক্তা চৎতুনা মমৌগী মশক য়েংনীংলকই। থৈফমদগী লৌশিল্লুনবা শেম–শাবা হৌরকই।

লৈকাইগী মৌ–নহা অনী'হুমগা লোয়ননা থৈফমদগী মমৌবু লৌশিনবা লাকই। কনানবু তাকপিরিবা ইরু মাইথজথোক্তুনা চন্দোল সিরি মতেক অমগা থিল্লদুনা ফিনা মকোক্কা হাইফেৎ খুল্লদুনা লৈরম্বদুদি কনাগী কৈনোনা কৈদৌজরুনি। লৈমদি মমৌবু উরুবদা নুংশিবনা হরাওবনা লুতোন থুমহৎখ্রে। মৈনা মনাক্তা চঙলক্লবদা লৈহাওনা নোম্থরদুনা–

"ইমা নচানা খুরুমজরি।"

মরোনসু খোইদেনে'সিবু কনানা হাওনি হায়দৌরিবা! মদোম মথন্ত খনজখি। নাক –য়েৎ য়েংলূবা শংদনা মমৌবু কোনখৎপিরদুনা মথানুংদা চেৎনা চেজেৎ কোল্লদুনা মকোক্তা নাম্থ–নাম্থবিরদুনা মমৌ অহলগী হাক্তংক্তা থোকখিবশিংদু নীংশিংলকখি।

নুমিৎতু ইবোচৌবা মানা পামজবী চীংমী নিঙোল অমা মাগী নুপী ওইনা পুরক্তুনা ময়ুমদা চঙলকখিবনি। মপাদা খুরুমগে তৌবদনি–

"চঙলক্কনু মহা–পাপ্পী, ঐগী ধর্ম্ম ঙাক্তবা নঙদি ঙসিদগী ঐগী ইচা ওইদ্রবনি। নঙনা য়ুমসিদা লৈতবা য়াদে হায়রগনা ঐ ওইনা য়ুমসি থাদোক্তুনা চৎখিবা তাবনি। চৎখ্রো চৎলো, নশক্তু য়েংনীংদে।"

নঙগী ধর্ম্ম, ঐগী ধর্ম্ম মখোয়গী ধর্ম্ম পুন্না হিংমিন্নবা ঙমদবশিংগী ধর্ম্ম। ঐদি নখোয় কনামতগী থৌরীনা পুলহল্লোই।

মীৎকুপ্পুদগী, থৌদোক্তুদগী নুমিশুমক্তদা মপাগী নীংবা থুংননবা ইবোচৌবা নুংশিরবী মমাগী মীৎয়েংদগী তাম্লকখিবনি। য়ুম থাদোক্তুনা ভারাদা লৈরকখিবনি। অদুনা লৈমা ঙসিদি মচা'তোনববু মীৎকুপ মতসু মথানুংদগী লাপথোকহন্নিংখিদ্রে।

পরিক্ষা মথং–মথং লোইখিদুনা লৈহাও এম সি এস মায় পাক্লবী নুপী অমা হায়বদু ওইরে।

মতম্না পুরক্তুনা মচানুপা অমসু ফংজরে। মশুনুপাগী মতৌদা চাওবা লোন্না লোন্না কনা খঙহন্দনা চালি শাজে। অদুবু ঙসি ফাওবা হায়দোকখিবা ৱা ঙাক্লবা হোৎনবদা মহাক, লৈহাওনা থোং–থাকপা করিগুম্বা অমতা চাদ্রি। কায়জদবী মনেম মকুবু লুনা কিনা হঙ্গোইনা চৎনবী ওফিসার অমসু ওইরবী মমৌগী মফমদা চাওবা ঙসিদি মরাল লৈরবা মীশক হায়বদু মহাক ওইরে।

লৈহাও পোষ্টিং মফমদু লাপ্পবনিনা ক্বাটরদা মতম খরদং লৈরুদবা য়ারক্তবদগী মচানুপা অপীকপদুদি হুন্দোক্লুম্বা য়াদবনা মখুৎ শল্লদুনা কাফে কাফে গারী তম্না চৎলি। মপুবোক্তা ফল্লপ য়েংলদুনা "পুপুদা বাই বাই তৌরম্মু" হায়না মমানা লোন্না ইনশিল্লি। মতমদুদা চাওবনা লাওরকখি।

"ঙাইখো! ঙাইখো নখোয় লোইনমক ঐনা হায়রিবসি অমুক্তা তাখো।"

# শৈরেং

## ইকায়বা খঙদে তাকপনি

*এ. হেরামোৎ মীতৈ*

এসেমব্লিগী বীল অহুমবু নাথৈরবদা  
ইকায়বা খঙদবশিংনা নৌনা শেমদোকপা  
য়ারিবসিনা হেন্না ইকায়বা পোক্লে।  
এসেমব্লিসি হৈতবশিংগী মকোল ওইহল্লে  
লমদমসে কেগেনা য়ুম্বী ওইরবনি  
কেগেনা য়ুম্বী মখোঙং ওইবনিনা  
মীরমগী নুংশিৎনা হুমনিংবদা হুমলিদনা।

অনৌবা বিল শেম্বা লাইরিদা  
বিল অহুমদা য়েমৌনরিবসি কনানো?  
কদায়দগী কমদৌনা কদোমদগী লাকইবা!  
য়েলহৌমীনি হায়রগা করিগী য়েমৌনরিবা?  
শেংলমলোই য়েলহৌমী অদুনা পাখৎচরিবনি  
হুরানবনা মকোক হান্না পায়বদুনি  
বিলবু শেমদোকপা পাংদ্রে তাকঅবনি।

য়েলহৌমীদি ডুপ্লিকেট ঙাক্তা ঙাইরনি  
লমদমসিসু ডুপ্লিকেট লৈঙাক ওইরনি  
থাজবিররোই য়ুমথংনবা লৈবাক পুম্বনা  
হন্দক্কী আই এল পি গী বিলনা  
ইচা হাৎলগা মীচা হিংনবা  
ইমুংগী ইজ্জৎকী মচে হাৎলিকো  
থিঙেলদা তাইননু নাসিখোংদা তাইনসি।

# চয়োলসিদা সাহিত্যগী পাউ

***আগষ্ট ১৩, ২০১৬, থাংজ***

*য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরী য়াইরিপোক্না শীন্দুনা লূপ অসিগী ২৩ শুবা মপোক কুমওন থৌরম য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা লূপ অসিনা পুথোকপা চহীগী চেফোঙ থাম্বালনু মীয়ামদা হৌনবী মতুং ইন্না ফোঙদোকখি।*

*থৌরম অসিদা ৱাংখেম কেন্দ্রগী এম এল এ অমসুং পার্লিয়ামেন্টরী সেক্রেটরী কে. মেঘচন্দ্র সিংহ, সাহিত্য মরুপকী প্রসিডেন্ট রঘুবীর থিয়াম অমদি য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়ার পার্সন লাইশ্রম হরিপিয়ারী দেবী অমসুং সাহিত্য একাদেমী এৱার্ডি ক্ষেত্রি বীরনা মথংশিংনা অথোইবা লেঙবিরকপা, থৌরম মপু অমসুং ইকাইখুম্নবা লেঙবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি। ১২৫ শুবা অথৌবশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা মরৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা কে. মেঘচন্দ্র এম এল এ না লুচিংদুনা লৈ–শু কৎখি। থৌরমগী মনুং চন্না প্রো. যোধচন্দ্র সনসম্না মোদেরেটর ওইদুনা শৈরেং শৈদিন্নবা অমসু অইবা–অইবী ২৫ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি।*

***আগষ্ট ১৪, ২০১৬, নোংমাইজিং***

*বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা নিংথৌখোং বাজার কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা চীং লেম্লবা থৌরম অমদা আর কে কার্তাসনানা ইবা "ইমাগী লমন" হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অমা ফোঙখি। থৌরম অদুদা জেৎ ই ও বিষ্ণুপুর, কেঐচ য়াইমা, নিংথৌখোং হায়স্কুলগী ওঝা ওইরম্বা এল দ্বিজমনি অমসুং ও সদানন্দনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।*

***আগষ্ট ১৪, ২০১৬, নোংমাইজিং***

*কোদোমপোকপী মমাঙ লৈকাইদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্ডি কোঞ্জেংবম বিরেননা ইবা মণিপুরগী শা–লানগী খুৎলায়শিং থাঙ–তা অমদি থেঙ্গৌরোলনচিংবগী হৌরকফম নৈনবা "শাফারোল" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা ফোঙখি।*

*লাইরিক অসি তুংদা হৌরক্লিবা নহারোলশিংগীদমক্তা খল্লগা লাইওইখ্রবা ইপা–ইপুশিংনা জাতি অসিগীদমক্তা থম্বীরল্লবা শা–লানগী কলচর অসিগী মতাংদা খোমজিল্লগা ইথোকচবনি। থাঙ–তা অমদি অতৈ খুৎলায়শিং মতৌ করম্না, করম্বা মতমদা অমসুং কনানা পুথোকখিবগে, খৌশারোল করিনো, থেঙ্গৌ করিনো করি মরমগী কৌখ্রিবনো, শাফারোল হায়বা লাইরিক অসিদা মতৌ করম্না লমলক্কী শাশিং থেংনগদগে হায়বনচিংবগী মরমদা নৈনরি হায়না লাইরিক অসিগী মতাংদা অইবা মশানা হায়খি।*

***আগষ্ট ১৪, ২০১৬, নোংমাইজিং***

*সাহিত্য একাদেমী এৱার্ডি রঘু লৈশাংথেম্না ইবা "খুঙ্গংগী চিঠি" হায়না মিংথোনবা সাহিত্য একাদেমী মনা ফংখিবা লাইরিক অসি "লেটর্স ফ্রোম দি ভিলেজ" হায়না মিংথোন্দুনা সাহিত্যা একাদেমী ন্যুউ দিল্লিনা পব্লিসর ওইদুনা ইংগ্রাজি লোন্দা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমী লেকচর হোল, ইম্ফালদা পাঙথোকপা চীং লেম্লবা থৌরম অমদা হৌনবী মতুং ইন্না মীয়ামদা ফোঙদোকখি।*

*থৌরম অসিদা প্রো. নাওরেম খগেন্দ্র সিংহ, ভাইস চাঞ্চেলর মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ওফ কলচরনা অথোইবা লেঙবীরকপা, এল উপেন্দ্রো শর্ম্মা, প্রসিডেন্ট, নহারোল সাহিত্য প্রেম্মি সমিতি ইম্ফালনা থৌরম মপু ওইনা লেঙশিনখি। কনভেন্নর মণিপুরী লেঙ্গোইজ এদভাইজরী বোর্ড, সাহিত্য একাদেমীনা ইন্ত্রোদুক্টরী স্পিচ পীখি। এল জয়চন্দ্র সিংহ, ফোর্মর দিরেক্তর জে এন মণিপুর দান্স একাদেমী, ইম্ফালনা লাইরিকসিগী মরমদা ৱা ঙাঙখি।*

***আগষ্ট ১৭, ২০১৬, য়ুমশকৈশ***

*মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি, ইম্ফালনা শীন্দুনা দেব লিটরেচর সেন্তর, দি এম কলেজ কেম্পসকী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা গুরুময়ুম বিজয়কুমার শর্ম্মনা ইবা "ঐনা করিগীদমক ইরিবনো" হায়না মিংথোনবা নৈন–ৱারেংগী খোমজিনবা লাইরিক অমা হৌনবী মতুং ইন্না মীয়ামদা ফোঙদোকখি। থৌরমসিদা প্রো. পোলেম নবচন্দ্র সিংহ, হান্নগী প্রসিডেন্ট, নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিতি, ইম্ফালনা অখন্নবা লেঙবীরকপা ডা. অথোকপম খোলচন্দ্র, প্রসিডেন্ট, মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি, ইম্ফালনা থৌরম মপু, ডা. কে হেমচন্দ্র, এসোসিয়েট প্রোফেসর, জি পি ৱুমেন কলেজ, ইম্ফালনা লাইরিক্কী মরমদা ৱা ঙাঙখি। কনভেন্নর মণিপুরী লেঙ্গোইজ এদভাইজরী বোর্ড সাহিত্য একাদেমীনা অথোইবা লেঙবীরকপা ওইখি।*

***আগষ্ট ২০, ২০১৬, থাংজ***

*মণিপুরী লেঙ্গোইজ দে সেলেব্রেসন কমিতি, ইম্ফালনা শীন্দুনা মণিপুর লোন্না ভারত সংবীধানগী ৮ শুবা সেদ্যুলদা চনখিবা নুমিৎপু নীংশিংবা ওইনা মণিপুর লোন ভারতকী ক্লাসিকেল লেঙ্গোইজ ওইহনসি হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইরগা লময়ানবা শঙলেন, কোনুং লম্পাক, ইম্ফালদা ২৫ শুবা মণিপুরী লোনগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখি।*

*থৌরমসিদা প্রো. টিঐচ তোম্বী সিংহ, প্রসিডেন্ট, মণিপুর সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল, প্রো. এন. খগেন্দ্র সিংহ, প্রসিডেন্ট, দ কলচরেল ফোরম মণিপুর, ইম্ফাল, এল উপেন্দ্র শর্ম্মা, প্রসিডেন্ট, নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিতি, ইম্ফাল, ডা. এ খোলচন্দ্র, প্রসিডেন্ট, মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি, ইম্ফাল, এল. শরৎচন্দ্র শর্ম্মা, প্রসিডেন্ট, মণিপুরী লেঙ্গোইজ দিভলপমেন্ট কমিতি, ইম্ফাল, এল. বীরমনি, প্রসিডেন্ট, রাইটর্স ফোরম, ইম্ফাল, প্রো. এন. অরুনা দেবী প্রসিডেন্ট, লৈমরোল খোর্জেইকোল (লৈকোল), ইম্ফাল, পিঐচ গুনচন্দ্র শর্ম্মা, প্রসিডেন্ট, মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলগী ইকাইকুম্নজরিবা মীওইশিং অসিনা প্রেসিদিয়ম মেম্বর ওইনা লেঙশিনখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা প্রো. পাউনম গুনিন্দ্রো, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা মণিপুরী লোন ভারতকী ক্লাসিকেল লেঙ্গোইজ ওইহনসি হায়বা হিরমসিদা ৱা ঙাঙখি।*

**রাজেন খুমুকচম**

# তাবুনুংদগী

*(কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী ১৯৭৪ দা ফোঙখিবা শৈরেংগী লাইরিক "মমাঙ লৈকাই থম্বাল শাৎলে" দা য়াওখিবা "হারক্যুলিস এগী সাইকল" ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি)*

## হারক্যুলিস এগী সাইকল

কার অমত্তা তোংবসু নুংঙাই  
কার অহুম তোংবনা লঙনরমদ্রিফাওবদি  
জীপ তোংবসু মনুংঙাই  
কার তোংবনা চৈরমদ্রিফাওবদি  
জীপ তোংবনা থীনা তৌরমদ্রবদি  
ঐগী সাইকল হারক্যুলিস  
মা অমুক নুংঙাইবদি লৈতেকো।

# মণিপুরী পান্থৈ পাওরৌ পাওতাক

**১৫৪। অঙাং হুরানবা**  
–মীগী মচা হুরানবা।

**১৫৫। অঙৌবা চেবাঙ মথক্তা অমুবা কালিনা তাবা**  
–ময়েক লানা কাউবা ঙমদনবা ইশিনবা।

**১৫৬। অচঙবা মী**  
–মরুওইবা, জ্ঞান লৈবা মী।

**১৫৭। অচঙবগা অশিবগা ৱাফংনবা।**  
–শিখ্রবা মতমদা মহাক্লা তৌরম্বা থবক্কী মরমদা লাল্লি চুম্মী হায়দুনা ঙাঙন–শক্কবা।

**১৫৮। অচাওরম কাবা মীগী নাপল মশাদা মৈনা চুজবনি।**  
–চাওথোকপা নাপল কাবা হায়বসি মশানা মাঙনবা হোৎনজবনি।

**১৫৯। অচমোম্না পুক থন্দে**  
– খজিক খজিক তৌবনা মপুং ওইবা য়াদবা।

**খোমজিনবা**  
**ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

# লাইরিক্কা উন্নবা

**লাইরিক্কী মমিংঃ ভুত অমসুং মাইখুম**  
**অইবা ঃ থাংজম ইবোপীশক**  
**ফোঙবা ঃ রাইটরস ফোরম**  
**মমল ঃ লূপা ৪০ /–**

কবি থাংজম ইবোপীশকনা ইবা "ভুত অমসুং মায়খুম" হায়বসি লামায় ৯৬ পানবা মমলনা লুপা ৪০ পীবা শৈরেংগী লাইরিক অমনি। লাইরিক অসি রাইটর্স ফোরম, ইম্ফালনা খৃষ্টকী কুম ১৯৯৪ দা পদ্মা পিন্টর্স, পাউনা বজার, ইম্ফালদা কপি মশিং ১০০০ খক নম্লগা ফোঙখিবনি। লাইরিক্কী মখুম্না মণিপুরগী থোইদোক্লা শক্লাইরবা আর্ট কলেজকী লাইয়েকপা থোইদিংজম তোম্বীনা য়েকপনি, অদুগা লাইরিকসিগী কপিরাইটনা অইবা মশানা ওইরি। কবি থাংজম ইবোপীশক মণিপুরী সাহিত্যদা মোদর্ন পয়িদকী থোইদোক্লা শীংথানরবা কবিনি। মোদর্ন পোরিয়দকী ওইনা শীংথানরবা কবি অমা ওইবতা নত্তনা মণিপুরী শৈরেংগী খোঙচত্তা লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী মতুংদা খ্বাইদগী হেন্না শীংথানরিবা কবি অমনি। মণিপুরী শৈরেংগী খোঙচত্তা শৈরেং ইবদা মশাগী ওর্জিনেলিটি লৈবা অমদি ক্রাফসমেনসিপ্তা চঙখোনবদা থোইদোক্লা শীংথানরিবনি। শৈরেং লাইরিক মশীং য়াম্না পুথোকপগী মায়কৈদসু কবিসি থোইদোক্লা শীংথানিংঙাই ওই। মণিপুরদা লৈরিবা অইবশিংসি লাইরিক ইরকপদা থোইদোক্লা মশক থোকপা মওংদা মশাগী ওইবা মীৎয়েং অমদি মফোঙ উবা ফংবা অইবা কয়া লৈ তৌবতবু লাইরিক খরা ইরগা অদুম তোকখিবদৌনা তৌই। মসিসু হীরমসিদা সিরিয়স ওইশিনবা ৱাৎপদগীনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে। কবি থাংজম ইবোপিশক শৈরেং ইবদা মশাগী ক্রাফমেনসিপ্তা য়াম্না চেকশিঞ্জবা অইবা অমনি। কবিগী পুক্লিং ইহুল খরা ফোঙদোকপনা শৈরেং ওইরে হায়না খনবা অইবা অমা ওইদে। হঞ্জিন হঞ্জিন শৈরেং অমগী ফিয়র কপি তারক্লবা হোৎনবদা ড্রাফট মশীং থিঙমদনা তৌজবা মীশক্লি। মতাংসিদা কবিনা হায়জৈ – "শৈরেং ইবসি ঐঙোন্দদি অৱাবা থবক অমনি। শৈরেংগী ক্রাপসমেনসিপ ঐনা য়াম্না মরুওইনা লৌজে। পরেং হুম্ফুমুক্কী শৈরেং অমা ইবদা পুং নীপাল মাপল চঙখিবা য়াওখি। ইর রকক্লা ইরর হন্না হন্না তৌখি। মাপল্লক নৎত্রগা তরারক হন্না রিরাইট তৌবা য়াওই। চম্না অমসুং লায়না ফোঙদোকপা ৱাহৈ লীক্লা খরদা ইরগা অর্থ য়াম্না থোকহনবা, ফোদোঙদোকপদা সবলটি য়াওহনবা পূন্নমক অসি ঐগী কল্পনাগী খুৎশেমদা পুবা থাংবা ঙমদবা পোৎলূম অমনি। (ৱাহৌদোকলা ১৪) কবিনা লাইশ্রম সমরেন্দ্র অমদি য়ুমলেম্বম ইবোমচা হায়রিবা অইবশিংসি চম্না অমদি লায়না ফোঙদোকপা পামজবগী মতাংদা হায়–...হায়জনীংবা অমনা ঐ ইশাগী শৈরেংশিংদা উৎলিবা মীৎয়েংশিংদা কয়াম য়াম্না কন্সিটেন্সি থম্বা ঙম্নবগে মসিমদি খঙজবা ঙমজদে। কনাগী খোঙচত্তা কন্সিটেন্সে হায়বসি য়াম্না মরু ওই। মসিবু ভাব তানা খঙনা ঙাক্লা চৎপা অসি লুবা অমনি। ইন্টলেকচুয়েলগী পাক–চাউবা রেকগ্রাউন্দ চঙই অমসুং মশাগী অরেপ্পা, অচেৎপা পুক্লিং মীৎয়েং লৈতবা য়াদে। "কবিগী শৈরেংসি অয়াম্বনদি চেফোঙ অমদি পাউচেশিংদা ফোঙখ্রবা ঙাক্তা ওইনা তৌই। অদুবু লাইরিক ওইনা ফোঙলকপসিদদি শৈরেংগী মিংথোল অমদি ৱাহৈ ৱাতা বানান্নচিংবা কয়াদা শেমদোক–শাদোকপা কয়া মরুম অপাবশিংনা শোয়দনা থেংনবিগনি হায়না খল্লি। অদুবু লাইরিক ওইনা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদদি শেমদোক–শাদোকপা অসি উবা ফংদে। শেমদোকপসু চৎনদে। কবি অসিনা শৈরেং ইবা হৌরকপা মতমদা রোমান্টিক ওইবা মওংদা লৈরাং খোইমুগী মরমদা শৈরেং ইবা হৌরকখ্রবসু য়াম্না মপুংফানা মশাগী শৈরেং লাইরিক ফোঙলকপদগীদি রিত্রলিষ্টিক ওইনা সমাজগী পুন্সিবু উৎনবা হোৎনবদা মপুক্লিং থিংজিল্লকখি। মশক তাক্লবা হোৎনরিবা লাইরিকসি মণিপুরী সাহিত্যদা মনা মথুম কয়ামুক্লা লৈতেংখ্রবা নৈনবা শৈরেং লাইরিক অমনি হায়বসিদা চিংনবা অমত্তা লৈতে।

**আর জে মীতৈ**